ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা শীন্দুনা চথরক্লিবা শজিবু ইনাৎ ঙাইখং কুম্মৈগী তরুকনি চনবদা পাঙথোকপা লাই য়েকপা চাংদম্ন বগী মকোক মথং তারবশিংদা পন্থৌনা মনা-মথুম য়েন্থোকখিবা

লৌশিং পূক্কে : এঞ্জাইটি দিসওর্দরগা থাইরোইদ গ্লান্দদা ... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ফাগি তৌবা ঙম্নবা হকচাং ফবা তঙাইফদে
মোবাইল ফোন অমসুং ঙসিগী নহারোল ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ ইপা-ইপুশিংগী পুৱারী ময়েক শেংনা খঙলক্তবা...
রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন অমনা অসিগুম্বা পোলিটিকেল... ☛ লামায় ৯
লামায় ১০ ☛ নুপাগীদা এক্স পোলো ক্লব অদুগা নুপীগীদা...

অমুকোগী লমজিং মখাদা নিংথৌখোংগী অপূনবা লূপ অমসুং এন এ ৱাই সীগা খূৎশম্ন দুনা নিংথৌখোং অৱাং খুনৌ কম্যুনিতি হোলদা পি এম জে এ ৱাইগী হেল্থ কার্দশিং শাদুনা মথৌ তাবা খুঞ্জাশিংদা খূৎশিন্নখিবা



Vol. 49, Issue No. 024 | থাংজ, শজিবু ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, April 19, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# ‘ডোক্ট্রিন ওফ প্লেজর’দা হাপখিবা এদভোকেট জেনরেলবু কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস থোরক্তনবা লৌথোকপীয়ু হায়বা ও জয়গী ৱাফম গভর্ণরনা তারব্রা

## এদিশনেল এদভোকেট জেনরেল খুদক্তগী টর্মিনেট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ষ্টেট লৈঙাক লৈরিঙৈদা ‘ডোক্ট্রিন ওফ প্লেজর’ গী মখাদা অমসুং কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩১০ অমদি মরী লৈনবা প্রোভিজনশিং য়াওনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীবা দিরেক্সনগী মখাদা এপোইন্টমেন্ট পীদুনা হাপখিবা ফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগী এদভোকেট জেনরেল ওইনা হাপ্পকখিবা মীওই অসিদি মহাকপু এপোইন্টমেন্ট পীখিবা লৈঙাক অদু লৈত্রবদি ‘কো-টর্মিনস’ ওইনা মীওই অদুসু লৈফম থোক্তে হায়বা ৱাফমশিং পল্লদুনা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লুচিংলক্লিবা গভর্ণর অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস য়াওনা মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোলশিং মনম-মনম পীশিন্দুনা কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস থোরকহন্দনবা লৌথোকপীয়ু হায়জদুনা লাকখিবা ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ও জয়গী ৱাফম গভর্ণরনা তারব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ও জয় টর্ম কয়ারক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা এসেমব্লি অসিগী দেপ্যুটি স্পিকর অমসুং লো মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবা পোলিটিসিয়ননি।



ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ও জয়


ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্লা রিজাইন তৌখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরকখিবগা পন্থদনা ফেব্রুৱারী ১৭, ২০২৫দা ইহান হান্না ও জয়না গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ‘ডোক্ট্রিন ওফ প্লেজর’গী মখাদা এপোইন্টমেন্ট পীখিবশিংবু কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস থোরকহন্দনবা লৌথোকপীয়ু হায়জ খিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না ফেব্রুৱারী ১৭, ২০২৫দা গভর্ণরদা ইদুনা পীশিনখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না থবক লৌখৎলক্তবদগী মমাঙ থাগী ৩দসু অমুক হন্না অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। মহাক্না গভর্ণর খক্তদা নত্তনা লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিসতসু মমাঙ থাগী ২৪দা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি।

ও জয়গী মায়কৈদগী গভর্ণর অমসুং লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিসতা ইদুনা পীশিনখিবা চেরোলশিং অদুদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপদগী গভর্ণরনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা উরে হায়বগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা এম এল এশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর ১সুং হোম মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি হায়বগী তোকঙা শন্দোরক্লে

## বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা অমনদি ঈৱাং লাকশিন্দুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক শেম্নবা ক্লেম তৌরক্তনু হায়না নেশনল লিদরশিংনা খঙহল্লকপা লৈ হায়রি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** অসামগী গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা ন্যুজ চেনেল অমনা মণিপুরগী এম এল এ ২৭না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা শেমহল্লক্নবগীদমক তকশিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়বা য়াওনা হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর উননবা এম এল এ খরা মাঙজৌননা দেল্লীদা কেম্প তৌদুনা লৈরে হায়বা ৱাফম্নচিংবা ফোঙদোরকখিবগা ইরোয়ননা ষ্টেট অসিগী মীওই সেক্সন খরগী মায়কৈদগীসু ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসি লোইশিন্দুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমদুনা মীয়ামগী ৱায়েল থৌদা তৌরগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকখ্রে।





ন্যুজ চেনেল অমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম য়াওনা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল সর্কলদা

## এন পি পিগী ওইনদি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোকখিবগী ফিরেপ হৌজিক ফাওবা লেঙদনা লৈরি : ৱাই জয়কুমার

অমসুং মীওই খরনা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং পাউচে অসিনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মকোক থোংবা থৌপুবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীওই অমদা হংলুবদা মহাক্না হায়, ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা লৈরম্বা লৈঙাক্লা রিজাইন তৌখ্রবা মতুং প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখিবগা ইকান কান্নদনা পার্টিগী নেশনল হেদ ক্বার্টরগী মায়কৈদগী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈৱাং অসি লোইশিন খমজিন দুনা মহৌশাগী ঈং তপ্পা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## লুপা লাখ ১৪.২৮গী উ ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬তা এ আরনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী কম্পাং খুল্লেনদা ওপরেশন চথবদা লোগী ৱাংমদা ত্রক ২৩দা পুরকখিবা লুপা লাখ ১৪.২৮ রোমগী মমল ওইগদবা উশিং ফারে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## নোংমৈগী লাইসেন্স পীখৎলক্কদবনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** সাইকুল পি এসকী ও সীনা ঙরাং থোকপা নোটিস অমদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মদ লাইসেন্স হোল্ডর অমসুং দিল্লরশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেশনশিংদা ভেরিফিকেশন চথনবগীদমক মখোয় মখোয়গী লাইসেন্সশিংগী এটেষ্টেদ কোপিশিং মেনশিল্লবা ফোর্মগা লোয়ননা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

পীখৎলক্তবশিংগী মথক্তা লাইসেন্স ককথৎপা য়াওনা অতৈ থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

## হেল্থ কার্দ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা য়ুকোবিদ অমসুং নিংথৌখোংগী লূপ অনীনা ঙসি নিংথৌখোং অৱাং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পি এম জে এ ৱাইগী হেল্থ কার্দশিং শেম শাদুনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## নেশনল ফায়র সর্ভিস ৱীকতা পাঙথোকখিবা এসে কম্পিটিশনগী রিজল্ট

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরদসু মণিপুর ফায়র সর্ভিসনা শীন্দুনা পাঙথোরক্লিবা নেশনল ফায়র সর্ভিস ৱীক-২০২৫গা মরী লৈননা ‘য়ুনাইট টু ইগ্নাইট, এ ফায়র সেফ ইন্দিয়া’ হায়বা টোপিকতা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী এসে কম্পিটিশনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# এম এল এ-কাউন্সিল্লর য়াম্না কাদ্রবসু মণিপুর কনবদা সী পি আইনা থৌদাং লৌরক্লি : সোতিন কুমার

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ওইনা ঙসি ফাওবদা এম এল এ অমদি কাউন্সিল্লরশিং য়াম্না কাবা ঙমদ্রবসু অদুগা পঞ্চায়টতা মপূং ওইবা থৌদাং লৌবা ঙমদ্রবসু মণিপুরগী পুৱারীগী মরু ওইবা তাঙ্কক কয়াদা সী পি আইনা ষ্টেট অসিবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি অমসুং অহোংবা অওনবা কয়া পুরক্লি হায়না সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী হান্নগী সেক্রেটরি এল সোতিন কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।





ৱাফম অসি ঙসি শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জর মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লাইরেঞ্জম কুঞ্জবিহারিগী য়ুমদা পাঙথোকপা সী পি আই কৈশামথোং লোকলগী ৪২শুবা কনফরেন্সদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সী পি আই অসি এম এল এ য়াম্না কাদে, কাউন্সিল্লর য়াম্না কাদে অমসুং পঞ্চায়টতা মপূং ওইবা থৌদাং লৌবা ঙমদে হায়বা মীয়াম্না খঙই অদুবু মণিপুরগী পুৱারীগী মরু ওইবা তাঙ্কক কয়াদা পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিবু কল্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## কোন্সা খুলগী থৌদোক নাগাগী মহৈরোয় লূপশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৫দা কোন্সা খুলগী ভিলেজ চীফ য়াওনা খুঞ্জাশিংবু ফূ-চৈরমখিবা থৌদোকপু জেমে ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন মণিপুর (জেদ এস ও এন) ওল ইনপুই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ আই এস য়ু), রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন মণিপুর (আর এন এস ও এম) অমসুং লিয়াংমাই নাগা কাটিমাই রুৱাংদি, মণিপুর (এল এন কে আর) না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মহৈরোয় লূপ মরিনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মায়োক্তা নুমিৎতুদা কাংপোকপী পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমসু ফাইল তৌখ্রবনি হায়রি।

# মচা ২ লৈরবী নুপী ১ মপুরোইবগী খূৎতা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** নুপীবু তাথী-তাওইনা তৌবা ‘ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন’ গী মনুং চনবা থৌদোক অমা ওইবদা নত্তনা তাবদা নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা মচা অনী লৈরবী মশাগী চহী ২৯ খক্তা ঙাইরিবী নুপী অমা মপুরোইবগী খূৎতা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি হৈঙাং পি এসনা কোল্লিবা পাঙ্গৈ নেপালি বষ্টিগী ইমুং অমদা থোকখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী মৌনহা অদুগী মমিং জুনি রিজাল নেপালি কৌই। মপুরোইবগী মমিংনা এন থাপা ময়র কৌই হায়রি।

থৌদোক অসি থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী মপামগী মীওইশিংদা পাউ পীরকখিবনা নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী মখোঙ অনী য়াওনা হকচাংগী মফম কয়াদা ফূ-চৈবা অমসুং থাঙগুম্বা অথৌবা পোৎনা য়ানবগী মফমশিং লৈরমখি। মসিগী মথক্তা মহাক্কী য়েৎ থংবা চুবাদা য়োৎপী অমসু য়ৈশিন্দুনা লৈরমখি। অদুগা কোককী শরুক্তসু ঈ থোক্লা কাইবগী মফম লৈরম্বদা নত্তনা খূবাকতনা ব্লেদকুম্বনা লেনখিবগী মফমশিংসু লৈরমখি হায়রি।

লৈখিদ্রবীগী ইমুংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২



# ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনবীয়ু হায়বা য়াওনা এম এল এ ৭না গভর্ণরদা ৱাফম কয়া তকশিনখ্রে : বি জে পি





**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** বি জে পিগী এম এল এ ৭না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনদুনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা মমাঙ থাগী ৮দগী ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনগনি হায়রগা মায় পাকখিদ্রবা মতুং থৌরাং অদু অমুক হন্না লৌখৎতুনা অথুবা মতমদা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনবীরো হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া তকশিনখ্রে হায়রি।

ঙরাং গভর্ণরগা উনখিবা এম এল এশিং অদুদি এস কুঞ্জকেশোর, কে শ্যাম, কে ঐচ ইবোমচা, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ‘আই এম’ গী ফাউন্দর লিদর ইশাককী মচানুপা ইকাটো অতোপ্পা লালহৌলূপ অমদা য়াওখ্রে

**কোহিমা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :** কুমজা ১৯৭৫দা তৌনখিবা শিলোং একোর্দকী মতুং লৈখিদ্রবা চ্যেরমেন ইশাক চিশি শ্বুনা টি ঐচ মুইভা অমসুং এস এস খপ্লাংনা খূৎশম্নদুনা জন্যুৱারী ৩১, ১৯৮০দা লিংখৎখিবা এন এস সী এনগী মরক্তা খপ্লাং অমসুং ইশাক অমদি মুইভানা লুচিংবা কাঙলূপ অনী থোক্লবসু নাগা মীয়ামগী পোলিটিকেল সোল্যুশন অমগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরক্লিবা এন এস সী এন-আই এমগী চ্যেরমেন ওইরম্বা ইশাককী মচানুপা ইকাটো চিশি শ্বুনা লালহৌলূপ অসি হৌরকখিবা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী ২৮ চূপ্লা সিজ ফায়র তৌনদুনা চথরক্লিবা পীস টোককী অকূপ্পা ৱারোলশিং পল্লবা মতুংদা মহাক অমসুং মহাক্না ৱাখল মান্নবা মীওই খরনা আই এমগা য়ান্নদবা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা লেফটিনেন্ট জেনরেল (রিটাইয়র্দ) ঐচ এস রমশন (ভাইস চ্যেরমেন) অমসুং লেফটিনেন্ট জেনরেল অপসালোম রমনগী লুচিং মখাদা



ইকাটো চিশি শ্বু

লাম্বেংনরগনি হায়দুনা য়াওশিল্লে হায়রি।

ইকাটোনা ফোঙদোরকপা ৱারোলশিংগী মনুংদা জুলাই ৩, ২০২৩দা শিলোংগী বরাপানিদা পাঙথোকখিবা পীস টোক অমদা এ কে মিশ্রানা মহাক্কী অনীংবা অপান্বশিং হংলকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী ‘ঐহাক অনীশুবা মীরোলগী রেভল্যুস্নরি অমনি’ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাগা মীয়ামগী ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবদি অফবা ওইগনি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখি হায়রি।

লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুকচেল শেংদবা মচৎ অসিনা মরম ওইরদুনা অচুম্বা ৱাখল চেল্লিবা নাগা মীয়াম মরু ওইনা নহাশিংদা ফূরূপ অসিগী লান মখা চথদুনা ঐখোয়গী পুৱারী অমসুং তুংলমচৎ কল্লমসি হায়নসু ফোঙদোরকখ্রে। মহাক্কী ওইবা অপান্বশিংগী মনুংদা নাগা পীস টোক অসি ‘অনকন্দিশনেল’ ওইগদবনি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী লেভেলদা ৱারী শাগদবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## মোইরাংখোমগী লনলৈমা হবকী থোঙজিন্দা বোম লৈরম্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক অঙনবদা মোইরাংখোমদা লৈবা লনলৈমা ইরেক্ট্রোনিক হবকী দুকান মমাঙদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা দুকান অসিগী সট্টর থোঙ মনাক্তা থল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পুলিসনা বোম এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা হেন্দ গ্রেনেদ অদু পোকখায়হন্দনা লৌখৎখ্রে।

অদুম ওইনমক বোম অসি কনানা করি মরমগীদমক দুকান অসিগী মমাঙদা থল্লম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা বোম অসিগী খোঙ্গুল লীবা হৌখ্রে হায়রি।

# কুকি-জো লমহেনবশিংনা তমথীরবা লান চথরক্তুনা ঐখোয়বু য়ূম মৈ থাদুনা তাল্লকপদা নত্তনা ইচানুপীনা লোয়জবা হূই-হৌদোং ফাওবা য়ূম মৈ চাকপদা য়াওখ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

**চূড়াচান্দপুর থেঙ্গা লৈরক্তা খুঞ্জা**

(ঙরাংগী মখা...)

মশাগী চহী ৭০ রোম শুরক্লবা অসেম ইবোয়াইমনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা লাইবক থীরিবদি ময়াম্না এম ও বি সীগী স্কোলরশিপ মহৈরোয়শিংনা ফংবা য়াই হায়রবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরবনিনা ও বি সীগী সর্টিফিকেটসু য়াওদবনিনা স্কোলরশিপ অসিগীদমক ইচাশিংগীদমক এপ্লাই তৌবা ঙমদ্রে। ইচাশিং অসি হৌজিক মহৈ তমজরিবা মহৈরোয় ঙাক্তনি। মরম অসিনা লাঞ্জেল্লকপদা মফম-মরাং খঙদনা কায়খিবা অমদি শীজিন্নবদা নুংঙাইত্রবা ইচানুপীগী মোবাইল ফোন অসিমা ফাওবা শিনবীবা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী খল্লুরগা নীঙমদবগী মথক্তা নীঙমদবনা পীক থল্লে। অদুবু হৌজিক্তি মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎশিংনা লীংলম্বা মণিপুর লৈঙাকসু লৈত্রে। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়না খুদোংচাদবা অমসুং অৱাৎ অপা মায়োক্লরকপদা কনানা তবীগনি হায়বসু খঙদ্রে। অদুগা ঐখোয়গী মাঙ তাকখ্রবা লন-থুম খুদিংমক মরী লৈনবশিংনা হঞ্জিনবীবা অদুগা ইশাগী য়ূমদা চঙদুনা লৈবা য়াবগী ফীভম লাক্লবসু হিংনবগীদমক শেল তানবগী লম্বীদি লোইনা তৎখ্রবনিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঐখোয়গী হিংনবগী লম্বী পীবিবনা চূমগনি হায়রকখি।

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লাননা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুরগী থেঙ্গা লৈরক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হিয়াংথাংগী কামখ্য পেমতোন কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা অসেম ইবোয়াইমনা মখা তানা হায়, য়ূমদা লৈজরিঙৈ মতমদদি ইশাসি শরূ শোক্তুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লবসু ফিসিও থেরাপি তৌবা চৎতুনা হকচাংসু নুংঙাইরম্মী। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লবা মতুংদসু মতম খরদি চৎলম্মী অদুবু হঙ্গৎ হন্দা চৎথোক চৎশিন তৌবদা শেল চঙবনিনা মখা তানা চৎপা ঙমদবদগী তোক্লে। অসিগুম্বা অৱাবা কয়া অসিসু মরী লৈনবশিংনা খঙবীদুনা অঙন্বা মতেং খরদং ওইরবসু পাঙহন্নীংই হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ৭০ রোম শুরক্লবা মীওইসি শরূগী অনাবা মায়োক্লরকপদগী পেরলাইসিস তৌদুনা চহী অনীরোম চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙমদনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা তমথীরবা লান অসি থোরকখিবনি। মহাক্না মশা-মউ কল্লিঙৈদদি ওজা ওইদুনা ইমুং পুরকখিবগা লোয়ননা মচা-মশুশিং শেল্লকখিবনি।

## কংলৈপাকতা চঙবা ১সুং লৈবা মতম পূম্বগী ওইনা অথিংবা থল্লে : কে সী পি



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কন্মিটিগী সেক্রেটরি (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স) না ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা বিহারদগী রঞ্জিৎ কুমার গুপ্ত কৌবা মীওই অসি কংলৈপাকতা চঙবা অমসুং লৈবদা মতম পূম্বগী ওইনা অথিংবা থল্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ইষ্টর্ন কম্মান্দগী জি ও সীনা লুচিংবা লান্মীগী ওফিসরশিংনা গভর্ণরদা সিক্যুরিটিগী ফীভম পাউদমখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান থোরকপদগী কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস মায়োক্নরক্তুনা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চৎনহল্লক্লবা মতুংদা লান অসি লোইশিন্দুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনরকপগা ইরোয়ননা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম ইষ্টর্ন কম্মান্দগী জি ও সী লেফটিনেন্ট জেনরেল রামচন্দর টিৱারিনা লুচিংবা লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংনা রাজ ভবনদা গভর্ণর উনদুনা পাউদমখ্রে। গভর্ণরগা উনবদা স্পিয়র কোরগী জি ও সী লেফটিনেন্ট জেনরেল অভিজিৎ এস পেনধরকর অমসুং আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল রভরূপ সিংহ য়াওখি।

## আর্টস এন্দ কলচরেল শো-২০২৫ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএশন (টি দি এ সী দি এ) না শীন্দুনা ঙসি ৱাবগাই য়াংবী কম্যুনিটি হোলদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা আর্টস এন্দ কলচরেল শো-২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা কক্চীং জেদ পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্মিটিগী মেম্বরশিং এস ধনবির, ঈ প্রিয়োকুমার, হিয়াংলম জি পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্মিটিগী চ্যেরপর্সন ঈ দেবকেশোর, ৱাবগাই জি পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্মিটিগী চ্যেরপর্সন এম নবচন্দ্র, ময়েংলমজাও জি পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্মিটিগী চ্যেরপর্সন য়ু নরজিৎ লুৱাং, কৈরক জি পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্মিটিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫